ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Readable
HL
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ
ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

মণিপুরদগী হজ চৎকদবা মীওই ২৪৮ রোম চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা টুলিহল ইন্টর-নেসনেল এয়রপোর্টতা লাক্কুনা থিন্দোকপদা শরুক য়াবা

লামায় ১

জেমোন গ্যাস সর্ভিসকী মোংশাঙ্গৈদা লৈবা গোদাউনদা পি এম য়ু ৱাইগী এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা এল পি জি কনেক্সন পীবগী শক্তম

লামায় ৩

মণিপুর হার্ট ফাউন্দেসন (এম ঐচ এফ)গী প্রসিদেন্ট ডা. এল শ্যামকিশ্বরনা খাঙবোক্তগী মীওই অমদা মচানুপী লায়েংনবা শেলগী তেংবাঙ পীবগী শক্তম

লামায় ৪

মোইরাং কেন্দ্র প্রোগ্রেসিব ফ্রন্ট অমদি দিষ্ট্রিক্ট মেলেরিয়া ওফিস, বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা এন্তি-মেলেরিয়া এৱ্যেরনেস প্রোগ্রামগী শক্তম

Vol. 41, Issue No.126 নোংমাইজিং, থৱান ৭ নি পানবা, অপুনবা লামায় মশিং ১০ HUEIYEN LANPAO, Sunday, July 30, 2017, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬৩.৪১
দীজল : লিটরদা লুপা ৫৩.৬৭

বোম পোকখায়হনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ : ইম্ফাল ইষ্টকী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা কোংবা লাইরেনপাৎ এরিয়াদা শকখঙদবশিংদা লম্বীগী নাকন্দা ফিট তৌদুনা থল্লম্বা আই ঈ দি অনী মণিপুর পুলিসকী কাঙবুনা মাঙজৌননা পাউ ফংবদগী ঙসি পুলিসকী বোম এক্সপার্ট কাঙবুনা অশোয়-অঙাম য়াওহন্দনা পোকখায়হনখ্রে। বোম অনী অদু ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তাবদা লম্বী চৎপা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

সী এমনা থিন্দোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ : মণিপুরদগী হজ চৎকদবা মীওই ২৪৮ রোম চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি টুলিহল ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতগী থিন্দোকখ্রে। মণিপুর হজ কম্মিটিগী মেম্বর ওইরিবা এম এল এ অব্দুল নাসির অমদি হজ কম্মিটিগী ইগজিক্যুটিব ওফিসর সলাউদ্দিন খান্না লুচিংবা মীওইশিং অদু গুৱাহাটিগীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোকখি। হজ চৎকদবশিং থিন্দোকপা...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	এন এ °C	এন এ °C
চান্দেল	৩৬.৫৭ °C	২৪.৫১ °C
সীসীপুর	৩১.০৮ °C	২০.৩৮ °C
ইম্ফাল	৩৩.২৯ °C	২২.৩৬ °C
সেনাপতি	৩১.৫৭ °C	২১.৭৫ °C
তমেংলোং	এন এ °C	এন এ °C
থৌবাল	এন এ °C	এন এ °C
উখ্রুল	২৬.৮৩ °C	১৭.০০ °C
মণিপুর	৩৬.৫৭ °C	১৭.০০ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১৬.৬২ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৪১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০০
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	75.375725
US Dollar	64.139153
British Pound	84.233697
Australian Dollar	51.249722
Chinese Yuan Renminbi	9.520686
Japanese Yen	0.579466
Malaysian Ringgit	14.97262
Norwegian Krone	8.108107
Singapore Dollar	47.117026
South Korean Won	0.057004
Swedish Krona	7.90259
Turkish Lira	18.171981
Myanmar Kyat	0.04716
Bangladesh Taka	0.79464

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	29262.03
Mumbai	–	Rs	29914.44
Delhi	–	Rs	29465.24
Kolkata	–	Rs	30128.34

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

HL POLL

Q : Centre na ichaogi tengbang oina lupa crore 50.82 pirakle hairibasi matik chai haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : State guestsing lakpada Manipur Govt.na lupa lakh 41 chading toukhibasi yammalli haina loubra?

Yes 80% No 20%

অস! লোইরেহে!

কান্নুদি কামগে, অদুবু ঐহাক স্বাইন ফ্লুনা নারবনি খঙবীয়ু...!
ꯀꯥꯟꯅꯨꯗꯤ ꯀꯥꯃꯒꯦ, ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯑꯩꯍꯥꯛ ꯁ꯭ꯋꯥꯏꯟ ꯐ꯭ꯂꯨꯅꯥ ꯅꯥꯔꯕꯅꯤ ꯈꯪꯕꯤꯌꯨ...!



যারে যারে চৎলো ইবুংঙো...!
ꯌꯥꯔꯦ ꯌꯥꯔꯦ ꯆꯠꯂꯣ ꯏꯕꯨꯡꯉꯣ...!

চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অনাবনা চনদ্রে

হেংলেপতা চৎলু য়াদবা ডোক্টর অনী সস্পেন্দ তৌখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস) : দেঙ্গি, জপানিজ এনকেফেলাইটিস অমসুং মেলেরিয়ানা তমথিনা শোকহল্লবা হেংলেপ সব-দিভিজনগী মনুংদা লৈবা খুল অনীদগী ঙরাং শক্তিমান্দা পুথোরকখিবা অনাবা মীওই ৪১গী মথক্তা ঙসি অনাবা ৭০ রোম থুংলবদগী চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অনাবনা চন্দ্রে।

মফমদুদগী ফংবা পাউনা হায়, দেপ্যুটি কম্মিস্নার চুড়াচান্দপুরগী লমজিং মখাদা পুথোরকখিবা অনাবশিং অদু হৌখিবা অহিং লম্বীদা লেল্লগা ঙসি অয়ুক য়ৌরকখিবনি। লম্বীগী ফীভম কা হেন্না ফত্তবনা অনাবা ৭০ রোম শক্তিমান্না পুরকপদুদা অনাবশিং অদুবু শেন্নবা মীওই ১০০ রোম্না শক্তিমান অদু চিংলগা মতেক মতেক লাকখিবনি।

অমরোমদা, ষ্টেট অসিদা জপানিজ এনকেফেলাইটিস (জে ঈ) অমসুং দেঙ্গি লায়না শন্দোরকপগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েটতা ঙসি নুমিদাং মীফম অমা পাঙথোক্লুনা খন্ন-নৈনখ্রে।

মীফম অদুদা হেল্ঠ অমদি ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হংখানলিয়ন, হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী চেয়রমেন টি টি হাওকিপ, চীফ সেক্রেটরি আর আর রশমি, দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস এল এম খৌতে, হেল্ঠ সেক্রেটরি সুমন্ত সিংহ, দিরেক্টর (হেল্ঠ) কে লোকেন্দ্রো, রিমসকী দিরেক্টর, দিরেক্টর (অয়ুশ), জেনিমসকী দিরেক্টর অমদি অতৈ স্পেসিএলিষ্ট দোক্টর কয়াসু শরুক য়াখি।

হৌজিক ফাওবদা দেঙ্গি লায়না পোজিটিব ওইবগী কেস ৫৯...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

হু চেনবা য়ু থক্লুবদগী মীওই অহুম শিরে

য়ু থক্লুবা মীওই ৩০ রোম্না তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা লায়কন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনন্না কোনবা ওইনাম শওম্বুংদা হাংবা য়ু য়োনফম অমদগী হু চেনবা য়ু থক্লুবা মীওই অহুম শিরে। লৈখিদ্রবা মীওই অনীগী মথৌ মঙম পাঙথোকপদা য়াওবা মীওই ৩০ রোম্না য়ু য়োনফম অদুমক্তদগী য়ু লৌরগা থক্লুবদগী মখোয়সু তোঙান তোঙানবা হোস্পি-টালশিংদা লায়কন্নরি।

লৈখিদ্রবা মীওই অহুম অদুদি ওইনাম শওম্বুং মখা লৈকাইদগী ৱাংজম হেরোজিৎ (৩৫) অপোকপা দল্লিয়ু থোইবা, লৈকাই অদুদা লৈবা ওইনাম শ্যাম (৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা ও তোম্বী অমসুং ওইনাম শওম্বুং ময়াই লৈকায়দগী খুমন্থেম মুহিন্দ্রো (৫০) নি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা ফংবা পাউনা হায়, লৈখিদ্রবশিংগী মরক্তা য়াওরিবা ৱাংজম হেরোজিৎ অমসুং ওইনাম শ্যাম লৈকায় অদুদা লৈবা য়ু য়োনফম অমদা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম য়ু থকমিন্নখি। মফম অদুদগী কায়নরবা তুংদা মখোয় অনীমক ময়ুম ময়ুমদা হল্লকখি। ময়ুম য়ৌরবা মতুং মতম খরগী তুংদা কোক চীকপা, মীৎ উশিল্লক্তবা অমসুং মবুক চাকপনচিংবা তৌরকপদগী মখোয় অনীমক তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা পুখৎনখি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, করম্বা লায়নাননো হায়বা খঙদনা ঙসি অয়ুক পুং ৭ লোম তাবদা ৱাংজম হেরোজিৎ লৈখিদ্রে। ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা মহাক্না লৈখিদবদু পোৎয়ান তৌরবা য়ু থক্লুবদগীনি হায়বা খঙখিদে। মদুনা মরম ওইরগা মহাক পোষ্ট মোর্টেমনচিংবা অমত্তা তৌদনা ময়ুমদা পুথরগা মথৌ মঙম পাঙথোকখি।

মহাক্কী মথৌ মঙম পাঙথোকপা লোইখ্রবা মতুংদা ওইনাম শ্যামসু পোরোম্পাৎতা লৈবা জেনিমস হোস্পিটালদা ঙসি নুংথিল পুং ৩ লোম তাবদা লৈখিদ্রে হায়রি।

লৈখিদ্রবা মীওই অনীগী তোঙান তোঙানবা মতমদা পাঙথোকপা মথৌ মঙমগী থৌরমদা য়াওবা নহা খরনা শেংদবা য়ু য়োনবা মফমদুদগী য়ু লৌরগা পুরকখি অমসুং ময়াম পুন্না থকমিন্নখি। মথৌ মঙম পাঙথোকপা লোইশিল্লবা মতুং ইকুই কুইদনা পোৎলোইবদা য়ু থক্লুবা ময়াম অদু মবুক চাকপা, ওবা অমদি থবাক নাবনচিংবা মথং মথং তৌরকখি। মদুনা মরম ওইরগা মখোয় ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা লায়কন্ননবা পুখৎলকখি। মীওই ৩০ রোম অদু মথং মথং হোস্পিটালদা লায়কন্ননবা পুখৎলকপদগী মখোয়না থক্লুরিবা য়ু অদু হুগী ময়াক য়াওবা য়ুনি হায়বা খঙবা ঙম্লকখি হায়রি।

মরক অসিদা ঙসি নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তাবদা খুমন্থেম মুহিন্দ্রো রিমসতা লৈখিদ্রে। মহাক থারগা হু চেনবা য়ু থক্লুবদগী শিখিবা মীওই অহুম শুখ্রে।

পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, হু চেনবা য়ু অদু ওইনাম শওম্বুংদা লৈবা অসেম শ্যামকুমার (৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা ইবোচা কৌবা অমনা মনাক নকপদা লৈবা খুল অমদগী লৌরুরগা য়োনবনি হায়রি। মহাকসু য়ু অদু থক্লুবনা মরম ওইরদুনা হৌজিক লাঙ্গোলগী শীজ হোস্পিটালদা লায়কন্নরি। থৌদোক অসিগী মতাংদা ৱাঙ্গোই পুলিসনা এফ আই আর অমা লৌখৎলবসু য়ু য়োনবা মীওই অমসুং য়ু অদুবু পুথোক্লিবা মরী লৈনবশিং অমফাওবা ফাবা লৈত্রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, হু চেনবা য়ু থক্লুবদগী মীওই ৩০ হৌজিক হৌজিক এদভান্স হোস্পিটালদা অনী, রাজ মেদিসিটিদা অনী, রিমসতা ২৬ লায়েংলি। হৌজিক রিমস হোস্পিটালদা লায়কন্নরিবা মীওইশিং অদুদি - ওইনাম শান্তি (৪৬), ওইনাম তোম্বা (৪০), ওইনাম নন্দো (৫৫), ৱাইরোকপম নন্দো (৫০), ৱাংজম রোবিনসন (২৮), ওইনাম বিমোল (৫৭), ওইনাম রাজেন (৫৭), ওইনাম প্রদিপ (৩২),...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

সিমেন্ত ফেক্তরি লীংখৎনবা এম ও য়ু তৌননবা হোৎনরি : বিশ্বজিৎ

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস) : লমদম অসিদা লৈরিবা প্রেসশিংগী ওইবা প্রেস পার্ক অমা শেমগৎনবা লাংজিং অচৌবদা লম একর অহুম আইদেন্টিফাই তৌরে হায়না আই পি আর মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা ঙসি এসেমব্লী মীফমদা ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিগী দিমান্দ খন্নরকপদা এম এল এ কয়ানা পুখৎনরকখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীরদুনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি এসেমব্লী মীফমগী দিমান্দ দিস্কসনগী মতমদা ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিগী দিমান্দ খন্নরকপদা এম এল এ কয়ানা পুখৎনরকখিবা ৱাফমগী পাউখুমদা আই পি আর মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়খি, ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি হায়বসি য়াম্না মরুওইবা হীরম অমা ওইবনা লৈঙাক্লসু অখন্নবা মীৎয়েং চঙলি। লমদম অসিদা লৈরিবা প্রেসশিংগী অপুনবা মফম অমা ওইনা প্রেস পার্ক হায়না শেমগৎনবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লাংজিং অচৌবদা লম একর অহুম আইদেন্টিফাই তৌরে। জর্নেলিষ্টশিংগী পেন্সন স্কীমগী মখাদা পেন্সনগী শেনফম হান্না লুপা লিশিং অনী পীরম্বদগী হৌজিক লুপা লিশিং মরি য়ৌরে। লিশিং তরুক ফাওবা য়ৌহন্নবা খন্নরি। দি আই পি আরগী ওইনা ষ্টাফকী অৱাৎ অপা কয়াসু লৈরি। অৱাৎপা কয়া লৈবনা মরম ওইদুনা ত্রান্সলেতর অমসু চান্দেলদা মতম খরগী ওইনা ঈ-পাউগা মরী লৈনবা থবক্কীদমক থাবনি। মতম খরগী ওইবা থৌরাং ওইনা মহাকপু চান্দেলদা থাবনি। দি আই পি আরগী ৱাৎলিবা ষ্টাফশিং য়েংশিন্নবা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী দিমান্দ খন্নরকপদা এম এল এ কয়ানা পুখৎনরকখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুমদা ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা সিমেন্ট ফেক্তরি য়ুনিট লীংখৎনবগীদমক কম্পেনি অমগা পাউ ফাওনরে। মণিপুরদা লাইমষ্টোন মরাঙ কায়না ফঙলি। কম্পেনি অদুগী মীহুৎশিংগা ৱারী শানবদা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

অনাবশিং লায়েংনবা থৌরাং লৌখৎলে : এল জয়ন্তকুমার

> *হেলিকোপ্টর শীজিন্নরগা অনাবশিং পুথোক্লবা শিল্লু*
> *- কে রঞ্জিৎ*

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস) : স্বাইন ফ্লুনি চিংনবা অনাবগী কেস কয়া লাকপদগী লায়েংবগী থৌরাং কয়া লৈঙাক্না লৌখৎলে। হিদাক লাংথক মরাঙ কায়না লৈ হায়না হেল্ঠ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ঙসি এসেমব্লী মীফমদা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা কোল্লিং এটেন্সন মোসন পুখৎলদুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীরদুনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউচে অসিগী ঙসিগী এদিসনদা ফোঙখিবা *স্বাইন ফ্লুনি চিংনবা অমা লৈখিদ্রে* হায়বা পাউদা য়ুম্ফম ওইরগা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা কোল্লিং এটেন্সন মোসন পুখৎলদুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুমদা হেল্ঠ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, স্বাইন ফ্লুনি চিংনবা অনাবা অমা রিমসতা পুখৎলবা মতুংদা লৈখিদ্রে। স্বাইন ফ্লুনি চিংনবা কেসকী সেম্পল ১১ রোম লৌখৎতুনা টেষ্ট তৌনবা থাখ্রে, রিজল্ট ঙায়রি। চুড়াচান্দপুরদা পোষ্টিং তাবা এ আর পর্সনেল অমা রিমসতা পুখৎলবা মতুংদা লৈখিদে। লৈখিদ্রবা মীওই অসিগী ব্লদ সেম্পল টেষ্ট তৌনবা থাখি। হৌজিক রিজল্ট ঙায়দুনা লৈরিবনি। রিজল্ট ঙায়রিঙৈদা লৈখিদ্রে। রিমস অমদি জেনিমসতা ঐচ১এন১ (স্বাইন ফ্লু) হায়না খঙনবা লায়না অসি লায়েংনবগী অখন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎলে।

চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা হেংলেপতা মীওই কয়া পাক শন্না নারকপা, মীওই খরা অমনা চুড়াচান্দপুর হেদ ক্বার্টরদা পুরক্লগা খরা অমনা হৌজিক ফাওবা মফম অদুদা লৈরি হায়বা ৱাফম অসিগী মতাংদা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিনগনি। হেলিকোপ্তর শীজিন্নবগী তঙায়ফদবা লৈগদ্রা হায়বগী মতাংদসু করি লৈবগে হায়বদু য়েংগনি। হেংলেপ পি ঐচ সীগী দোক্তর অনী ইন্টরিম এরেঞ্জমেন্ট ওইনা থাখ্রে। মখোয় মফম অদুদা জোইন তৌরব্রা তৌদ্রিবরা হায়বদু য়েংগনি।

স্বাইন ফ্লুনচিংবা লায়না লাইওং কয়া লাক্লিবা অসি য়েংলগা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎলে। *মখা লামায় ৩ কলম ৪*

য়ু এন এল এফনা ক্লেম তৌরক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ : ইম্ফাল ৱেষ্টকী সগোলবন্দ তেরা পুখ্রম্বম লৈরক্তা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৭.৪০ রোম তাবদা ইরোম বোবো নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলম্বদু মহাক্না মচানুপী থোকপী অমবু শারমচৎ চত্তুনা নুপী ওইবীগী ঈকায় খুম্নবা মাঙহনখিবগীদমক শিবগী চৈরাক পীখিবনি হায়না য়ুনাইটেদ নেসনল লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ)কী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটিগী দিরেক্টর এম শকহেননা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

কুমজা ২০১৩গী জুলাই ১গী অহিংদা থরোইজম মনিং লৈকায়দা লৈবা ইরোম বোবো (৪৪) অপোকপা আই কামেশ্বরগী য়ুমদা মহাক্কী নুপীনা মচন নুপীগীদা চখোকখিবা নুমিৎ অমদি অঙাংশিংনা তুম্নখিবগী খুদোংচাবা লৌরগা মহাক্কী ইমুংমক্তদা লৈমিন্নরিবী মহাক্কীদি হেক মচা থোক্লবী চহী ১২ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু বোবোনা য়ু থকচিল্লগা শারমচৎ চত্তুনা নুপী ওইবীগী ঈকায় খুম্নবা মাঙহনখি হায়না চেরোল অসিনা মরাল শীরি।

নুপীমচা অদু বোবোগী মখুত্তগী পান্থে অমা শীজিন্নদুনা নাম্থোক্তুনা লম্বী লমজাওদা কপ লাউদুনা চেন্থোরকপদা মৈরা শঙলেনদা লৈকায় ঙাক শেল্লিবী মৈরা পায়বী ইমাশিংনা থেংনদুনা নুপীমচা অসিগী পূন্সিবুদি কনবা ঙমখি। করিগুম্বা নুপীমচা অসিনা বোবোগী মখুত্তগী নাম্থোক্তুনা চেল্লকপা ঙম্লমদবা তারবদি নুপীমচা অসি অতৈ নুপীমচাশিংগুম্না ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবীরবা তুংদা হাৎতোকপীরম্বা য়াই। বোবোনা লংজখিবা মরাল অদুগীদমক পার্টি অসিনা শিবগী চৈরাক ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

‘ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি বিল এক্ট ওনবা য়ারোই’

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস) : ধনমঞ্জুরি কোলেজগী লৈরিবা সেক্সনশিংবু য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা পুখৎলকপা নুংঙাই অদুবু ধনমঞ্জুরি কোলেজ ওফ টিচর্স এদ্যুকেসনবু হুন্দোক্তুনা থল্লল্লগা বিল অসি পাস তৌবা য়ারোই হায়রি।

দি এম কোলেজগী কম্পাউন্দ মনুংদা লৈবা দি এম কোলেজ ওফ টিচর্স এদ্যুকেসনগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দি এম কোলেজ টিচর্স এদ্যুকেসন ত্রেনিং য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি মঞ্জিৎ শরাংথেমনা হায়খি, মণিপুর লৈঙাক্কী য়াম্না মরুওইবা বি এদ তম্নবা কোলেজ অসি কুমজা ২০০৫ তা লীংখৎতুনা মণিপুর গভর্নমেন্টকী অমত্তা ঙায়রবা দি এম কোলেজ টিচর্স ত্রেনিং ইন্সটিট্যুট হায়না খঙনদুনা লাকখি। কুমজা ২০১৭ দা ষ্টেট কেবিনেটনা দি এম কোলেজবু য়ুনিভর্সিটি ওইহন্নবা বিল অমা পুথোরকপসি য়াম্না নুংঙাই। অদুবু টিচর্স এদ্যুকেসন হুন্দোক্তুনা থল্লম্বা অসিদি লমদম অসিগী অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী লায়বক থিবনি। মরমদি থা অসিগী ২৬ তা এপ্রুব তৌখিবা বিল অসি হৌখিবা এপ্রিলদা পুথোকখিবনি। মমাংগী সেপ্তেম্বরদা এসেমব্লীদা পুথোক্তুনা খন্নখিবনি।

অহানবদা দি এম কোলেজ ওফ টিচর্স এদ্যুকেসন য়াওখি। চহী অসিগী এপ্রিল ৪ দা গভর্নরদা এসেন্ট পীবীনবা থাবদা অমুক্তংগা হন্না খন্নখো হায়না থাদরকখি। মতুংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না এসেমব্লীদা পুথোক্লবা কেবিনেটতা ৱারেপ লৌখিবনি। দি এম কোলেজগী ক্লষ্টর কোলেজশিংগী মনুংদা এল এম এস লো কোলেজ হাপচিল্লকখ্রে। অদুগা দি এম কোলেজগী ক্লষ্টর মনুংদা লৈরিবা টিচর এদ্যুকেসন অসিনা হুন্দোক্তুনা থল্লম্বনি। থৌওং অসি লৈঙাক্কী অশোয়বা খোঙথাংনি অমসুং অশোয়বা অসি তুং কোয়না লৈহৌগদৌরিবা অসিগী মরমদা লৈঙাক্না খন্থবা চঙই হায়খি।

কুমজা ১৯৪৬ তা দি এম কোলেজ অসি লীংখৎখিবদগী কুমজা ১৯৫৯ দা সর্টিফিকেট ওফ টিচর কোর্স অসি হাঙদোকখিবনি। কুমজা ১৯৬১-৬২ ফাওবা বেসিক ত্রেনিং কোলেজ ওইনা লৈখি। কুমজা ১৯৭২ গী সেপ্তেম্বর ১৫ দগী পোষ্ট গ্রেজুয়েট ত্রেনিং কোলেজ ওইনা হৌদোকখ্রে। মতুংদা কুমজা ১৯৯৭ গী জানুৱারি ১৬ তা পি জিদগী দি এম সী টি ঈ হায়না ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা ইম্ফাল-জিরি লম্বীগী ফিভম য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস) : নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা ইম্ফালদা লাকখিবা রোদ ত্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট পোন রাধাকৃষ্ণন্না ঙসি নেসনল হায়ৱে ৩৭কী ফিভম য়েংশিনখ্রে।

ইম্ফালদগী ঙসি য়ুনিয়ন এম ও এস মিনিষ্টর পোন রাধাকৃষ্ণন্না ইম্ফাল জিরি লম্বীদা চৎলগা লৈবা কোটলেন্দদা লম্বী নমথখিবা শরুকশিং অহানবা ওইনা য়েংশিনখি। মদুগী মতুংদা ইম্ফাল জিরি লম্বীগী টুপুল য়ৌরমদাইদা লৈবা কে সিনাম ভিলেজগী মপা ফাওবা চৎতুনা লম্বীগী শরুক অসিদা লেন্দস্লাইদ তৌখিবা অমদি লম্বী নমথখিবা মফমশিং হকথেংননা য়েংশিনখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা রোদ ত্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী য়ুনিয়ন এম ও এস মিনিষ্টর পোন রাধাকৃষ্ণন্না হায়খি, ইম্ফাল জিরি লম্বী শেম শাবগী থবক অসি এন ঐচ আই দি সী এলনা পায়খৎপা হৌরে। লাক্লিবা কুমজা ২০১৮ গী মার্চ থা ফাওবদা ইম্ফাল জিরি লম্বী অসি নীংথিনা শেম শাবা লোয়শিনগনি।

লম্বী অসি নীংথিনা শেমজিলহৌ-দ্রবদি মতুং তারকপা মতমশিংদা লমদম অসিগী মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরকপা য়াই। মরম অদুনা লম্বী অসি নীংথিনা শেমজিনগনি। ষ্টেট লৈঙাক্সু অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা এম এল এ এল সুসিন্দ্রো...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

LOAN AVAILABLE
মখল খুদিংগী অপাম্বা 2 , 3 and 4 Wheelers Loan
Service Loan
Pension Loan
Gold Mortgage
T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan
হায়রিবা শিং অসি অরাইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি ।
AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur
● 100% Free Processing (Vehicle Only)
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Loklaobung B.O.:- M.G. Avenue, Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.
HL-P/2217/20/7-20/8